# অৱাবনা মাঙজিল থাবা পুন্সি খোঙচৎতি তুংলমচৎকী নুংঙাইনবনি...মনিহার





## সুর মৈতৈ

ফিল্মগী সংসার অসি কখোকপনা থল্লবা সংসার অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়েংবতনা শরুক ওইরম্বা ঐহাক্না ঙসি ফিল্মগী ফম্পাক্তা পিক্লবসু পীক্না ফিদা অমা ফংবা ঙমজবা অসিদা খঙদা উদবা কয়া অমা উজবা ফংবা অদুগা সংসার অসি অসুক্কী মতিক চাওবা জাৎনিকো হায়না খঙবা ঙমজখি। ফিল্ম অমা হায়বসিনা সমাজ অমদা পীরিবা কনত্রিব্যুসন অসি য়াম্না চাওই হায়দুনসু ঙসি মণিপুরি ফিল্ম অসি চাওখৎপা ইঙম ঙমদবগুম্না লৈরিবা অসি উবদা ফিল্মবু পামজরুবা অমা ওইরুবনা থম্মোয়দা নুঙাইতবা ফাওদবদি নত্তে হায়না মণিপুরি ফিল্মগী লমদা অহল অমা ওইনা মায়পাক্না খোংদারক্লিবা মনিহারনা পাউ–চে অসিগা উন্নবদা মহাক্কী ওইবা মত থম্লক্লি।

লোংজম মনিহার সিংহ য়াইরিপোক বজার বাম্মোন লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা এল অমু সিংহ অমদি এল ওংবী ইবেমহল দেবী অনিগী মচানুপা অনি অমদি মচানুপী অমা পুন্না অহুম ফংজবগী মনুংদা ইং ১৯৫২ মার্চকী তাং ১ দা অহানবা ওইনা ফংজখিবা মচানি। ইং ১৯৭২ গী এপ্রিল তাং ১৭ মনিহার বোর্ডর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) তা শিফায় ওইনা চংলবা মতুং ইং ১৯৭৩ দা য়াইরিপোক কৈশাম লৈকায়দা লৈবী মোয়োনসখিগা য়ুম্বান লম্বীদা খোংদামিন্নরক্তুনা মচা অহুম ফংলবা মতুং হৌজিক্না মশু ৭ কী মধৌসু ওইরি। চহি ৩৩ বি এস এফ তা থবক তৌরম্লবা মতুং পেন্সন লৌথোক্তুনা পোত্থারবা মতম চহি অমমুক মহাক্কী লোয়নবীগা লৈমিন্নরবা মতুং মহাক্কী লোয়নবী খংহৌদনা বি পি ষ্টোর্ক তৌদুনা লৈখিদে। মসিগী মতুং কন্দিসন অমদগী তঙাই ফদবনা য়াইস্কুল পুলিস লেন্দ ইম্ফালদা চাওরকখিবী থোইবীবু মনিহারগী লোয়নবী ওইদুনা লৈমিন্নরি। মনিহার হৌজিক–হৌজিক রিমস হোস্পিতালদা চিপ সিক্যুরিটি ওফিসার ওইবদা নত্তনা মণিপুরি ফিল্মগী লমদা মপা, মধৌ অমদি অহল–লমন শাবদা মীয়াম্না পাম্নরিবা আর্টিস অসিগা হকথেংননা উনবগী পাওদম খরা...

সুরঃ সারগী হৌখিবা ৱারি শন্নপ্পা অমদি থম্বিরে। হৌখিবা ৱারিশিং অমদি ফিল্মগী ওইবা ৱাফমগী মতাংদা ৱাহং খরা হংজগে।

মনিঃ উম.. হায়বীয়ু য়ানি।

সুরঃ বি এস এফ তা লৈরিঙৈ মতমদা থেংনরকখিবা অৱা–নুঙাই খরা খঙজনিংই।

মনিঃ খুত্তা থৱায় হাপ্লগা তৌবা থবক্লিনা অসুক্কী মতিক্তী অৱাবা ময়োক্লরকখি। কয়াম–য়াম্না ৱাখিবগে হায়বদুদি তম্বনা ৱাৎলগনি অউবনা খঙলগনি হায়বদুনি। বি এস এফ তা লৈবা মতমদা থেংনরকখিবা কাওবা ঙম্লরোইদবা থৌদোক হায়বা তারগদি কাশ্মিরদা লৈরিঙৈ মতম উন্না কুপ্লবা অৱাঙবা চীং পাকিস্তানগা বোর্ডরসু ওইরিবা মফম অদুদা তুম্ফম–চাফম খং দবা মখৈ, ঙৈহাক লৈতনা নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল লক্তুদা লৈবা অমদি পেত্রোল্লিং কামান্দর অমা ওইদুনা জীপ্তা চৎলিঙৈ মতমদা বোম লংশিল্লকখিবদা থেংনখিবা থৌদোক কয়া অদুদি কাওবা ঙম্লরোই নুঙাইবা হায়রগদি দ্যুটিদা লৈরিঙৈ ঐগী নুপীনা থারকপা চিঠী হঞ্জিন–হঞ্জিন পাবা অমদি চহিগী ওইনা ফংবা ছুটি চৎলমদাইসিনি হায়জরগে।

সুরঃ য়াম্না নুংশিবা অমদি নুঙাইবা ৱারি অমদি ওইরি। মতৌ করম্না ফিল্মদা খোংদারকখিবনো?

মনিঃ রিটয়ার্দ লৌথোক্লবা চহি অমা হেল্লবা মতুং ঐগা হান্নসু খঙনজবা মণিপুর ফিল্মগী দাইরেক্তর অমসু ওইরিবা জেক্সনগা নোংমা থেংনবদগী হায়রিবা দিরেক্তর অসিনা দিরেক্সন পীবা “ইচাগীদমক” হায়বা মণিপুরি ফিল্ম অমদা মপাগী শক্তম লাংনবা লৈত্রিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অহলগা থেংনবসি ঈশ্বরনা থৌজানবনি হায়না ইহান হানবা ওইনা ২০০৪ দা ফিল্ম অসিগী হেরোইন ওইরিবা বালাগী মপা শাদুনা ফিল্মদা খোংদাহল্লকখি। ফিল্ম হায়বসি য়েংবতবু নুঙাইবগী ৱানি। ফিল্ম অমা পুথোকপদা অসুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওই হায়বসিদি ফিল্মদা খোংদারকপদা খঙই।

সুরঃ হৌজিক ফাওবদা পুন্না ফিল্ম কয়াদি কুম্বিখ্রবগে?

মনিঃ ইচাগীদমক, তরুতরুবী মক্তুবী, ঐ মী কি, শায়োন অমা, কংলা করবার (২), লাঙম্বা, নঙবু ঙাইবদা, ইমাগী ইবুংঙো, মৈশালক্কী নোংলিক, অকংবা উনা, অয়েকপা শক্তম, অঙাওবসে ইপুরোইবনি, হুরানবদু মীহাৎপনি, ৱান টু ৱান অমদি পীরাংলক্তা থোইবী



হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদা তোঙান–তোঙানবা শক্তম লাংখ্রে।

সুরঃ ফিল্ম অমা পুথোকপদা অসুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওই হায়বিরবনিনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরি ফিল্মগী খোঙচৎ অসি হেন্না ফগৎনবা ফিল্ম তৌমিন্নরিবশিংদা করি শজেসন পীবিনিংবগে? বি এস এফ তা লৈরিঙৈ থেংনরকপা অৱাবা অদুগা ফিল্মগী অৱাবা অদুগা কনানা হেনবগে?

মনিঃ ফিল্ম অমা পুথোরকপা হায়বসি মতৌ করম্না পুথোকপরকপনো হায়বা খঙদবা মীনদি মসিগী অৱাবা অসি খ্ঙলল্লোই। অয়ুক–নুংথিল নুমিদাং নাইদনা চাবা থকপা থিদনা মীগী ময়ুম ফজবা কয়াবু ইয়ুম শাদুনা লৈজরিবা খুৎশু–খুলাই খরদা অখাং কনবা অমগা লোয়ননা ৱানা হোৎনরিবা অসিদা অৱাববু কাওথোকমিন্নদুনা নুঙাইমীন্নথোকপা ঙাক্তনি। অদুগা ফিল্মগী অৱাবা অসিদি ফনা ৱানা হোৎনমিন্নরুবা কয়া অদু মপুংফাবা ফিল্ম অমা ওইনা পুথোক্লকপদা ৱাখিবা কয়া অদু কাওথোকখি। বি এস এফ কী শিফায় অমা ওইনা লৈরিঙৈদা থেংনরকপা অৱাবাসিদি মতম লৈবা খিবিক্তা ইশাদা টেন্সন অমা অদুম লৈ। মরিপুর ফিল্ম তৌমিন্নরিবা ঐখোয় পুম্নমক ৱাখল্লোন মান্ননা পুকচেল খোইজেন তিন্ননা থবক তৌমিন্নরবতদা ফিল্মগী চাওখৎপা অমদি ওইগনি হায়না হায়জনিংই।



সুরঃ হৌজিক ফিল্মদা খোংদাবা খক নত্তনা রিমস হোস্পিটালদা সিক্যুরিটি চিফ ওফিসার অমা ওইনসু লৈ হায়বিরি। থবক অনি অসি মতৌ করম্না মেনেজ তৌবীবগে? মেনেজ তৌদুনা ফিল্ম সুটিং মতম চানা লাক্লগা আর্টিস অমা লাক্তে হায়দুনা ঙাইবদা মতম কয়া মাঙবসিদা করিদি ফাওবিবগে?

মনিঃ চুম্মী অমুক্তা থবক অনি তৌবা হায়বসি অৱাবা অমদি ওই। মসিগী মথক্তা লম্নগা য়াইরিপোক্কা ওইবনে হেন্না অৱাবা ওই রিবনি। অদুবু ঐখক্তদা থেংনজবা অৱাবনি ঐনা মরম ওইরগা অতোপ্পদা ঙসি ফাওবদা অৱাবদি পীদে। থবক অমা তৌবা হায়বসি হান্না টেবল অমা য়াৎপা মথৌ তাই। রিমসগী ওইবা থবক অসিদি য়ারিবা মখৈ শোয়হন্দে। শঙ্গদৌবা মতম অমা মাঙজৌননা শিন্দোক্লরকপা ঙাক্তনি। শিফায় ওইরুবনরা খঙদে মতমগী ভেল্যু খঙদবা মীসে য়াম্না শাওনিংই। ঐদি হায়নখিবা মতমদগী ঙসি ফাওবা মাঙজৌননা য়ৌরকপা ঙাক্তনি। আর্টিসশিং ঙাইবদা মতম মাংবসি তক্তনা থেংনরে, হৈবু হৈনরে। মসি মখোয়গী চৎনবী ওইগদৌরিব্রা নত্রগনা লেমজরিব্রা হায়বদুদি খঙদ্রে।

সুরঃ সিফায় ওইবা হায়বসি য়ু য়াম্না পাম্না থকপা ঙাক্তনি হায়নৈ। সারনা লৈরুরিবসিসু অইংবা মফমগা ওইবনা য়ু সি পাম্না থকলমগনিশু হায়নৈ অদুবু হায়নরিবশিং অসিদগী তায়োন্নবা ওইরম্লে। কনাগুম্বা খরনদি ৱাফম অসি থাজবা ৱাৎকদবা মাল্লি মসি কদায়ফাওবা চুম্বগে অমুক্তা হায়বিয়ু?

মনিঃ মী অয়াম্বা নুঙাইবা ফোঙদোকপগী, অইংবা খাঙনবগী, নিঙমদবা অমদি অৱাববু খাঙ্নবগী য়ুদা লোয়না তাইনৈ। য়ু থক্লগা নুঙাইবা ফোংদোকপসিনা মপুংফানা নুঙাইবা ফোঙদোকপা ঙম্লব্রা, অইংবা খাঙবা তশেংনা ঙম্লব্রা। নিংঙমদবা অমদি অৱাববু য়ুদা তাইনবসিনা কোকপা তশেংনা ঙম্লব্রা হায়বসি মুন্না খল্লবা মতুং নিষা অসিনা অৱাববু কোকহনবদি লায়রদনা তুংগী পুন্সি লম্বী তেন্ননবা নত্তনা অচুম্বা লম্বী লৈরোই, শিন্ফম অমা হায়বদি মথৌ অমা পুক্লিং চংহনবনা অৱাবা পুম্বা কাওথোকপা ঙম্বতা নত্তনা তুংগী পুন্সিদা অচুম্বা অফবা লম্বী ওই, পুন্সিগী ৱাহল্লোক ওইহল্লি হায়বসি খঙনা লাল্লি খঙলবা লম্বী অসিদা খোংদারকখিদবনি। ফৎতবা লম্বীদি মখোংনা থোংনা লাকপনি, অচুম্বা অফবা লম্বীদি থিবা চংই। য়ু শিজিন্নগে হায়রবদি ঐগী নুপীনা লৈখিদবগী নিংবা কায়বগী মতম অদুদা শিজিন্নবা য়াখি অদুবু মসিনা অচুম্বা লম্বী নত্তে হায়না ৱাখল ফাথজখি।

সুরঃ লোয়শিল্লকপদা, হৌজিক্তি তুংগী পুন্সিদা করম্না লেনবীগে হায়না খনবিরিবগে?

মনিঃ লৈবাক্কী কখোকপা হায়বসিনা ঐগী পুন্সিগী পান্দম ওইরুরমাল্লে। মীয়ামগী সেবা তৌরগা ৱাখল অসি লৈতানা পোত্থাজবা ফংজে। ফিল্মদা খোংদাদুনা মীয়ামগী সেবাদা পুন্সি অসি কখোক্লগে হায়না লেপ্লে।

সুরঃ সারগী ৱাখল্লোনবু থাগৎচরি। হিংলিঙৈ পুন্সি মীয়ামগীদমক হীংগে হায়বা ৱাখল্লোন অদুবু থাগৎচবগা লোয়ননা মায় পাকপা ওইবীয়ু।

মনিঃ সুরবুসু তৌরু–তৌরুবদা মায়পাকপা ওইয়ু।

## ইন্টরনেসনেল অমদি লোকেল স্পোর্টসকী পাউদম

### ইন্দিয়াগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রো অমসুং অনকুস উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ঃ*

মোঙ্গোলিয়াগী কোনুং সিটি উলানবাটরদা পাঙথোক্লিবা উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম দেবেন্দ্রো অমসুং অনকুস দহিয়া ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কম্মনৱেলৎ গেমসকী সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ না মহাক্কী সেমি ফাইনেল বাউটতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু মোঙ্গোলিয়াগী গান্দুলম মুনগুন অরদেনবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনকুস দহিয়ানা কেজি ৬০গী কেতেগোরিগী সেমি ফাইনেলদা রশিয়াগী বোক্সর রাদনা সিবিকোবপু মায়থিবা পীরগা ফাইনেল য়ৌখি।



পনবা য়াই উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী কেজি ৪৯দা শরুক য়াখিবা কে শ্যামকুমার, নুপাগী কেজি ৫৬কীদা শান্নখিবা মোহমদ হুসামুদিন অমদি নুপীগী কাংলুপ্তা কেজি ৬০গী কেতেগোরিদা শরুক য়াখিবী প্রিয়াংকা চৌদুরি সেমি ফাইনেল মায়থিহৌদুনা ৱোঞ্জ মেডল অমমম ফঙলগনি।

হয়েং উলানবাটর কপ অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা মশাগী চহি ২৫খক্তা ঙাইরিবা কম্মনৱেল্ৎ গেমস অমদি এসিয়ান বোক্সিংগী সিলভর মেডল ফঙখ্রবা লাইশ্রম দেবেন্দ্রেনা ইন্দোনেসিয়াগী বোক্সর অলদোমস সুগুরোগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা নুপাগী কেজি ৬০গী কেতেগোরিদা ইন্দিয়াগী চহি ১৯ খক্তা ঙাইরিবা অনকুস দহিয়ানা গোল্ড মেডল ফঙনবগীদমক্তা ফাইনেলদা কোরিয়াগী বোক্সর মান সো সৌলগা লম্বা তৌনরগনি।

### রেফরি ফিটনেস টেষ্ট অমদি গ্রেদ এক্সামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৪ঃ*

জুনগী তাং ১৮ ইং ২০১৭তা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা রেফরি ফিটনেস টেষ্ট অমদি গ্রেদ এক্সামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

মায় পাক্লবা মীওইশিং অদুদি কেতেগোরি ২দা এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা অমদি টি ঐচ কিরঞ্জিটনি। কেতেগোরি ৩দা কে ঐচ রঞ্জিট সিংহ, ওস ওনিল সিংহ,এস ইবোচাতোম্বী সিংহ, পি রাজেস সিংহ, ই প্রেমজয় সিংহ অমদি কে ৱোজেন সিংহনি। কেতেগোরি ৪দা মথোৌটমে রোনরা সিমরে, এন চিংলেম্বা মঙাং, লবজয় হোরাম, ভৈরেমি হোরাম, কচিং অৱুঙাসামসোক, জেম ভনলাল্লুনা, এস চন্দ্রকন্তা সিংহ অমদি এন সুমাটি দেবীনি। কেতেগোরি ৫তা লাইশ্রম রঞ্জিট সিংহ, এম বিজেন সিংহ, টি প্রেমচান্দ শর্ম্মা, থাও জোনি চোথে, পিরিং লিভিংসন চোথে অমদি জি বিমেস শহরমানি। কেতেগোরি জিআরআইএন দা পি ঐচ জোটিন সিংহনি।

মায় পাক্লবা রেফরিশিং ২০১৭কী ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দি এস এ শিং, দি এফ এ শিংনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা ওফিসিয়েৎ তৌবা য়ারগনি হায়না অম্ফাগী মাইকৈন্দগী খঙহল্লক্লি।

### ইন্দিয়াগী পেস অমসুং কানাদাগী সমাসদিননা চেলেঞ্জর টাইটল লৌখ্রে

*ইক্লে, জুন ২৪ঃ*

গ্রেট বৃটেনগী ইক্লেদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মমাংদা নুপাগী দবলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ফাওবা ওইরম্লবা লিয়েন্দর পেসনা কানাদাগী অদিল সমাসদিনগা জুরা ওইদুনা লম্বা ওইদুনা শান্নরকপদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

লন্দনগী ইক্লে চেলেঞ্জর ত্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মকোক থোংবা শান্নরোই কয়া শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সমাসদিলনা অতোপ্পা ইংলেন্দগী জুরা ৱাইদান ক্লেন অমসুং জো সালিস বোরিসবু ২–৬, ৬–২, ১০–৮তা মায়থিবা পীদুনা য়ুরো ১২৯,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফঙদুনা ৱিম্বলদনগী শেম শাবা হৌখি।





URGENT STAFF REQUIRED

| | | |
|---|---|---|
| POST | : | GRAPHIC DESIGNER |
| NO.OF POST | : | 1 |
| ELIGIBILITY | : | WELL EXPERIENCE IN PHOTOSHOP, ALSO EXPERT IN TYPING HINDI, BENGALI & MEITEI MAYEK SCRIPT |
| SALARY | : | NEGOTIABLE |
| INTERVIEW | : | 11.00 am 3rd JULY 2017 |
| OFFICE ADDRESS | : | RD Grafix, Sagolband Nepra Menjor Leikai, Imphal |

Interested Candidates may contact for details at 7085056257 or send resume to rdgrafix2016@gmail.com


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com